# মেক্সিকোদা মেগনিট্যুদ ৭.১ য়ৌনা য়ুহা হাবদা মীওই ২৪৮ শিখ্রে



মেক্সিকো সিটি, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সী) :

মেক্সিকোদা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিলদা রিক্টর স্কেলদা মেগনিট্যুদ ৭.১ য়ৌবা মতিক ময়ায় কল্লবা য়ুহা হাবা অমা থোক্তুনা বিল্ডিং কয়া নিংখায়খ্রে অমসুং এলিমেন্টরি স্কুল অমা ফিভম থীনা নিংখায়দুনা ফুমজিনখিবদা অঙাং ২১ য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ২৪৮ শিখ্রে।

কুমজা ১৯৮৫ দা থোকখিবা অতোপ্পা শাথীরবা য়ুহা হাবা অমগী কুমওন নুমিৎতা থোক্লিবা মেক্সিকোগী খ্বাইদগী নৌবা য়ুহা হাবা অসিনা মহৌশাগী শাথীবা অমাঙ-অতাগী থৌদোকশিং থোক্কনবা লৈবাক অসিদা মমাঙগী থৌদোকশিংদা উখিবা কিনিঙাই ওইবা শক্তম কয়া নীংশিংহল্লে হায়রি।

খ্বাইদগী তুজুংনিঙাই ওইবা সীনশিংগী মনুংদা অমদি মেক্সিকো সিটিগী খা থংবা মায়কৈদা এনরিক রেবসামেন প্রাইমরি স্কুল নিংখায়বদা উনখি। ফ্লোর অহুমগী স্কুল অদু নিংখায়বদা মহৈরোয় অমসুং ওজাশিং মনুংদা অকায়-অতোইশিংনা ফুমজিনখি। অঙাং ২১ অমসুং মপূং-মরৈ ফারবা (ওজা) ৫ অকায়-অতোই মপৈনা ফুমজিনবদা শিরে হায়না রেস্ক্যুগী থবক কোওর্দিনেট তৌরিবা মেক্সিকান নেভিগী মেজর জোস লুই ভর্গরানা ফোঙদোকখি। রেস্ক্যুগী থবক্তুদা লান্মী, পুলিস, মীচম ভোলন্টিয়র চা কয়া অমসুং অখন্নবা হূই কয়ানা শরুক য়াখি।

হৌজিক ফাওবদা অঙাং ১১ কনবা ঙম্লে অমসুং অতোপ্পা মীওই ৩০ দগী ৪০ ফাওবা মনুংদা লাংদা থুবগুম্না লৈরি হায়না ভর্গরানা ফোঙদোকখি। ইমরজেন্সি ৱার্করশিংনা অকায়-অতোই মরক্তা ওজা অমগা মহৈরোয় অমগা হিংনা ফংখি অমসুং মখোয়বু লৌথোক্লুবা হোৎনরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

তৌইগুম্বসুং ফিভমদু খুদোংথীনিঙাই ওইখি। অহিংগী মতম ওইশিল্লকপদা থিব-হুম্বা অমসুং মী কনবগী থবক কন্না চথুরিঙৈদা বিল্ডিং অদু মখা তানা নিংখায়রকখি হায়রি। মনুংদা লাংদা থুবগুম্না লৈরিবা অঙাং অমদা লান্মীশিংনা উতোং অমা শীজিন্নদুনা ওক্সিজেন পীখি হায়না লোকেল মীদিয়ানা ফোঙদোক্লখি।

থৌদোক থোকফমদা চেনশিনখিবা প্রসিদেন্ট এনরিক পেনা নৈতোনা অশিবশিংগী মশিং হেনগৎলকপা য়াই হায়না চেকশিনৱা ফোঙদোকখি। লাইবক থীবদি স্কুলশিং, বিল্ডিংশিং অমসুং য়ুমশিং নিংখায়বদা অঙাংশিং য়াওনা মীওই কয়া শিখ্রে হায়না মহাক্না লৈবাক মীয়ামদা ৱা ঙাঙবদা হায়খি।

মেক্সিকো সিটিদা নৎতনা প্যুবলা, মোরেলোস, মেক্সিকো ষ্টেট অমসুং গ্যুরেরোদসু মীওই কয়া শিখ্রে হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্টর মিগুএল ওসোরিও চোংনা ফোঙদোকখি। অশিবশিংগী মশিং য়ুমশকৈশাগী অঙনবা ফাওবদা মীওই ২৪৮ য়ৌরে হায়না নেস্নেল ডিজাষ্টর রেস্পোন্স এজেন্সীগী মকোক লুই ফেলিপ প্যুন্টেনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

মেক্সিকোগী ময়াই থংবা ষ্টেটশিংদা কিনিঙাই ওইবা মওংদা অমাঙ-অতা থোকহল্লিবা য়ুহা হাবা অসি অতোপ্পা য়ুহা হাবা অমনা মরুওইনা সাউদর্ন ষ্টেটশিং ওক্সাকা অমসুং চিয়াপাসতা মীওই ১০০ রোম শিহনখিবা মতুং শুপ্পগী নুমিৎ ১২ নি লৈরগা থোক্লক্লিবনি।

য়ুহা হাবা অসিগী এপিসেন্টর মেক্সিকো সিটিদগী খা নোংপোক্তা মাইল ৭৬ লাপ্পা মফমদা ওইখি।

## 'মর্কেলনা মরিশুবা টার্মদসু জর্মনিগী চান্সলর ওইরগনি'

বর্লিন, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সী) :

মথংগী নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা জর্মনিগী জেনরেল ইলেক্সনদা চান্সলর এঞ্জেলা মর্কেলনা মরিশুবা টার্ম অমগসু শোয়দনা পায়বা য়াবগী ফিভম লৈবগা লোয়ননা ফার-রাইট পার্টি অমসু মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাউ লোইখিবদগী অহানবা ওইনা পার্লিয়ামেন্টতা চঙবা ঙম্লবা য়াই হায়রি।

মীখল পাঙথোক্কদবা নুমিৎ খরনিখক্কী মমাঙদা পাঙথোকপা খ্বাইদগী নৌবা ওপিনিয়ন পোলশিংনা কুমজা ২০০৫ দগী পাৱর পায়রকখিবা মশাগী চহী ৬২ শুরবা মর্কেলনা মথংগী গভর্নমেন্টসু পায়রগনি হায়না মোৎ অমৎতা ওইনা ফোরকাষ্ট তৌখি। মহাক্না মথংগী টার্ম অমগসু পায়গদৌরিবসি ইলেক্সন মতুংদা অকক্লবা নৎতবা কোলিসন অমা হেক্তা শেম্লকপদনি হায়রি।

মর্কেলগী কঞ্জর্ভেটিভ ব্লোক হায়বদি মহাক্কী খৃষ্টিয়ন ডেমোক্রেটিক য়ুনিয়ন (সী ডি য়ু) অমসুং ববেরিয়ন মীচং খৃষ্টিয়ন সোসল য়ুনিয়ন (সী এস য়ু) না মথংগী বুন্দেসতাগ - পার্লিয়ামেন্টকী লোৱর হাউসতা খ্বাইদগী চাউবা গ্রুপ ওইরগনি অমসুং কোলিসন অমৎতা কঞ্জর্ভেটিভশিং য়াওদনা শেম্বা ওইথোক্লোই হায়রি।

ওপিনিয়ন পোলশিংগী মতুং ইন্না, মখোয়না মখোয়গী অপান্বা পার্টনর খন্দুনা মথংগী গভর্নমেন্ট শেম্নবগী খ্বাইদগী ফরবা খুদোংচাবা ফংলগনি।

সেপ্টেম্বর ২৪ গী মীখলদা পার্টি অনীগী অপূনবনা অপূনবা ভোট মশিংগী চাদা ৩৭ রোম ফংলবা য়াই। অমরোমদা মর্কেলগী মরু ওইবা চেলেঞ্জর মার্টিন সল্টস অমসুং মহাক্কী সোসল ডেমোক্রেটিক পার্টি (এস ডি পি) না চাদা ২০ ফংগনি হায়না ফোরকাষ্ট তৌখি। হৌখিবা থা কয়াদা পাঙথোকখিবা ওপিনিয়ন পোলশিংদা মর্কেলনা সল্টসতগী য়াম্না হেন্না মাঙজিল থাখি। চয়োল অহুমগী মমাঙদা মরুওইবা কন্টেন্দর অনীগী মরক্তা ইলেক্সন কেম্পেইন অদুগা মরী লৈননা ডিবেট তৌনখিবদসু মীয়াম্না মর্কেলবু হেন্না থাগৎনখি।

জানুৱারি ফাওবা য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টকী প্রসিদেন্ট ওইখিবা সল্টস হৌজিক মর্কেলগী রি-ইলেক্সনগা মরী লৈননা মখা তানা থ্রেট অমা ওইদ্রে হায়রি।

## অফঘানিষ্টানগী প্রসিদেন্টনা পাকিষ্টানদা মপূং ফাবা ডাইলোগ চত্থবগী ৱাফম হৌদোকখ্রে

য়ুনাইটেদ নেসন্স, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সী) :

পীছ, সিক্যুরিটি অমসুং রিজনেল কো-ওপরেসনগী মতাংদা মপূং ফাবা ডাইলোগ অমা চত্থনবা অফঘানিষ্টানগী প্রসিদেন্ট অশ্রফ ঘানিনা পাকিষ্টানদা অপীল তৌখ্রে। অফঘান গভর্নমেন্টনা মশাগী ওইবা মনুংগী প্রোসেসশিংগী খুথাংদা লৈবাক অসি তং-তাবা ফিভমদা হঞ্জিনহন্নবা থৱায় য়াওনা হোৎনৈ হায়বসি প্রুভ তৌখ্রে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি অমসুং মদু হিজব-ঈ-ইস্লামিগা পীছ এগ্রীমেন্ট অমা পুরকখিবনা উৎখ্রে হায়খি।



অফঘানিষ্টাননা হৌখিবা চহীদা খুৎলাই পায়বা গ্রুপ অদুগী কম্মান্দর গুলবুদ্দিন হেকমাটয়ারগা পীছ এগ্রীমেন্ট অমা সাইন তৌনখি। মহাক 'বুটচর ওফ কাবুল' হায়না খঙনখিবনি।

'ঐহাক্না পাকিষ্টানদা লমদম অসিদা নুংঙাই-য়াইফবা ফিভম লাক্লবা পীছ, সিক্যুরিটি অমসুং রিজনেল কোওপরেসনগী মতাংদা ঐখোয়গা মপূং ফাবা ডাইলোগ অমা চত্থনবা অপীল তৌরি হায়না ঘানিনা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী জেনরেল এসেমব্লিদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি।

'লমদম অসিদা ইং-চিকপা অমসুং তং-তাবা ফিভম লাকহন্নবগী পান্বে থিরকপসিদা হৌজিক ঐখোয়না অনকপা অমসুং অথাপ্পা য়ূমলোন্নবা খূদিংমক্তা কাবুল প্রোসেসকী খুথাংদা ঐখোয়গা খূৎশম্নবা চৎমিন্ননবা অপীল তৌরি।'

অদুম ওইনমক মাঙলোমদা চঙশিনবগী ৱাফম লাকপসিদা ঐখোয়না ঐখোয়গী মালেমগী পার্টনরশিংদা মপূং ওইবা মীৎয়েং হোংদোক্লবা হায়রি। শাংলবা মতমসি অফঘানিষ্টানগী কনফ্লিক্টপু সিভিল ৱার অমা ওইনা লৌনদুনা লাক্লি। মসিগী লান অসি ঐখোয়গী লম মনুংদা শোক্লবা নৎতে তৌইগুম্বসুং ঐখোয়গী লম চেন্নহনবা লানগনি হায়না ঘানিনা ফোঙদোকখি।

ঙসিদি মালেমগী টেররিষ্ট গ্রুপ ২০ হেন্না অফঘান লৈহাওদা লৈ হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

তুংদা অফঘানিষ্টান করি ওইরক্কদগে হায়বসি মরুওইবা ৱাফম অমনি মরমদি টেররিজমগী অকিবা মাঙহন্নবা মালেমনা চঙশিল্লিবা লাঞ্জংদা অফঘানিষ্টাননা মাঙজিল থারি। মসিগীদমক অমসুং অফঘান নেসনগী সোভরন্টিগীদমক ঐখোয়গী থৌনা ফরবা লান্মীশিংনা নুমিৎ খূদিংগী লান্থেংনরি অমসুং থৱায় থারি।

ঐখোয়না লাঞ্জংদা মাঙজিল থারবসু টেররিজমনা অকিবা পোকহনবগী ঙমখৈ লৈতে। লমদম অসিদা চঙজফম লৌরিবা টেররিষ্ট গ্রুপশিংগী ওইনা কাবুলদা এটেক তৌবা, ব্রসেলজদা এটেক তৌবা নৎত্রগা পেরিস, বার্সিলোনা, লন্দনদা নৎত্রগা মালেমগী মফম অমদা এটেক তৌবা হায়বসি চপ মান্নবা মায় পাকপশিংনি হায়না মহাক্না য়ু এসকী অনৌবা অফঘান অমসুং সাউথ এসিয়াগী ষ্ট্রেটেজিগী মতাংদা হায়খি। মখা তারদুনা মহাক্না প্রসিদেন্ট ট্রম্পকী অনৌবা অফঘান পোলিসি অদুদা টেররিষ্টশিংদা চঙজফম পীদবা অমসুংমখোয়গী লোৎফমশিং থুগায়বা য়াওরি হায়খি।

## ইরানদা চহী তরেৎকী নুপীমচা রেপ তৌখিবা অমসুং হাৎখিবা নুপা ১ হেং তৌখ্রে

টেহরান, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সী) :

চহী তরেৎকী নুপীমচা অমা রেপ তৌবা অমসুং হাৎপগা মরী লৈননা ঙসি ইরানদা নুপা অমা মীয়াম মমাঙদা মঙক্তা থৌরী কোক্সৈই থুরগা হাৎখ্রে। কনভিক্ট অদু হেং তৌনবা পুথোরকপদা মীয়াম্না হরাওনখি হায়রি।



চহী ৪২ শুরবা ইসমাইল জাফরজাদেহ কৌবা নুপা অদুবু হাৎখিবগী ভিদিও অদু ষ্টেট ব্রোদকাষ্টরগী ৱেবসাইটতা থাগৎতুনা মীয়াম্না য়েংনখি।

মহাক অয়ুক অঙনবদা অর্দেবিল প্রোভিন্সকী অপিকপা অৱাং নোংচুপকী টাউন পার্সাবাদকী স্কৱারদা হেং তৌখি।

সিটিজনশিংদা সিক্যুরিটিগী ৱাখল হঞ্জিন্নবা অমসুং মখোয়গী খোইরাং খোইশাওবা কোকহন্নবগীদমক্তা মরাল লৈরবা মীওই অদু মীয়াম মাঙদা হাৎখিবনি হায়না অর্দেবিলগী প্রোসিক্যুটর নাশর অতাবাতিনা পাউমীশিংদা হায়খি।

অতেনো অস্লানি কৌবী চহী তরেৎতা ঙাইরিবী নুপীমচা অদু হৌখিবা জুন ১৯ দা ষ্ট্রীট ভেন্দর ওইবা মপাগী মনাক্তগী চৎথোকখিবদগী থিবা ফংখিদবনি। সোসল মীদিয়াদা থৌদোক অদুগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি।

নুপীমচাদু মাঙখিবগী থৌদোক অদুদা মরুওইনা চেন্নবা মীশক্লি হায়না থাজনখিবা জাফরজাদেহনা মহাকপু রেপ তৌখি অমসুং হাৎখি হায়না ফোঙদোকচখি। সস্পেক্ট অসিনা অসুম্না ফোঙদোকখিবদু পুলিসনা মহাক্কী ময়ুমগী গেরেজদা নুপীমচাদুগী অশিবা হকচাং থেংনখিবা মতুং মতম ইশাং শাংনা কান্নদননি হায়ননা জুদিসিয়রিগা মরী লৈনবা সীজন ওনলাইন ৱেবসাইটনা হায়খি।

প্রসিদেন্ট হশন রৌহানিনা কেস অদু অকিবগী মশকনি হায়না ফোঙদোকখি অমসুং মদুগী ৱায়েল থুনা পীনবা অপীল তৌখি।

ওগষ্টকী অথেংবদা ট্রাইঅল হৌখিবদগী জাফরজাদেহবু কনভিক্ট তৌবদা চয়োল অমা ফানা মতম চঙখিদে। মঙোন্দা শিবগী চৈরাক পীরিবদু হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১১ দা সুপ্রীম কোর্টনা কনফার্ম তৌখি।

জাফরজাদেহনা চহী অনীগী মমাঙদা হকচাং থিবা শুকফম ফংখিদ্রবা নুপী অমসু হাৎখি হায়না ফোঙদোকচখি হায়না পার্সাবাদকী পব্লিক প্রোসিক্যুটর অবদোলাহ টাবাটাকায়িনা তুংদা ফোঙদোকখি।

ইরাননা মরাল লৈ হায়দুনা হাৎখিবশিংগী ওফিসল মশিং পীদে, তৌইগুম্বসুং হ্যুমেন রাইটস গ্রুপ এসেমব্লি ইন্টরনেস্নেলনদি লৈবাক অসি হৌখিবা ২০১৬ তা মী মশিং খ্বাইদগী য়াম্না হাৎখিবা মালেমগী লৈবাক মঙাগী মনুং চনখি অমসুং লৈবাক অসিনা হেং তৌখিবা অয়ান্বা ড্রগ ট্রাফিক্কিংগা মরী লৈনখি হায়না ফোঙদোকখি।

## য়ু এসকী ভাইস প্রসিদেন্টনা পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টরগা ৱারী শানখ্রে



ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সী) :

হন্দক্তা লাউথোকখিবা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী সাউথ এসিয়াগী ষ্ট্রেটেজিগী মতাংদা য়ু এসকী ভাইস প্রসিদেন্ট মাইক পেন্সনা ঙসি পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর সহিদ খকন অব্বাসিগা ৱারী শানখ্রে।

লূচিংবা অনীনা ন্যু য়োর্কতা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী জেনরেল এসেমব্লি সেসনগী নাকোইননা উনখি হায়না হ্বাইট হাউসনা ফোঙদোকখি। ভাইস প্রসিদেন্ট অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর অব্বাসিনা হৌখিবা থাদা প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা লাউথোকখিবা অফঘানিষ্টান অমসুং সাউথ এসিয়াগী ষ্ট্রেটেজিগী মতাংদা মরুওইবা ৱারী শানখি হায়না হ্বাইট হাউসনা লূচিংবা অনীগী মীফমদুগা মরী লৈনবা চেরোল অমা পাথোক্লদুনা হায়খি।

মীফমদুদা পেন্সনা সাউথ এসিয়া অপূন্বদা মরা চেৎপা অমসুং নুংঙাই য়াইফবগী ফিভম লাকহন্নবা পাকিষ্টাননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা পূন্না থবক তৌমিন্ননবগী লন্বী কয়া হাইলাইট তৌখি।

লমদম অদুদা য়ু এসনা হোৎনরিবদুদা পাকিষ্টাননা পার্টনর অমা ওইনা থৱায় য়াওনা চোংথোকপনা ইস্লামাবাদতা য়াম্না কান্নহনগনি হায়বা প্রসিদেন্ট ট্রম্পকী থাজবদু পেন্সনা নৌহৌননা নীংশিংখি হায়না হ্বাইট হাউসনা ফোঙদোকখি। মীফম অদুদা পেন্সনা অব্বাসিদা ট্রম্পনা হন্দক্তা নৌনা পুথোকখিবা সাউথ এসিয়াগী ষ্ট্রেটেজি অদুগী মতাংদা শন্দোক্না হায়খি।

সাউথ এসিয়াদা মতম শাংনা সিক্যুরিটিগী পার্টনর অমা ওইরক্লবা পাকিষ্টানগা ঐখোয়গা লৈনরিবা মরীবু ঐখোয়না মমল লৈনা লৌই। ঐখোয়না লমদম অসিদা পাকিষ্টানগা খূৎশম্নना মখা তানা থবক তৌমিন্ননবগী লন্বীশিং থিরি হায়না পেন্সনা ফোঙদোকখি।

পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর অব্বাসিগী মায়কৈদগী পেন্সপু মীটিং অদু পাঙথোক্লবা মঙোন্দা ইনভাইট তৌরকখিবগীদমক্তা থাগৎখি। পাকিষ্টাননা মখা তানা টেররিজম মুত্থৎনবগী থবক পায়খৎনবা লেপ্লে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

## লন্দন ট্যুব ট্রেন বোমিংদা চেন্নবা অহুমশুবা মীওই ফারে


লন্দন, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সী) :

লন্দনগী মী থন্না তোংবা ট্যুব ট্রেন অমদা চত্থখিবা টেরর এটেক্কা মরী লৈননা বৃটিশ পুলিসনা অহুমশুবা মীওই অমা ফাগৎখ্রে। হৌখিবা চয়োলগী থৌদোক অদুদা মীওই ৩০ অশোক-অপন নংখিবনি।

ইরাই নুমিৎকী এটেক অদুগী মতাংদা থিজিল্লিবা স্কোটলেন্দ য়ার্দকী কাউন্টর-টেররিজম কম্মান্দনা ঙরাং সাউথ ৱেলসকী ন্যু পোর্টতগী চহী ২৫ গী মীওই অমা ফাখি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ন্যু পোর্টকী এদ্রেস অমদা থি-হুম্বগী থবক চথুরি হায়না মেট্রোপোলিটান পুলিসনা হায়খি।

থাংজ নুমিৎতা চহী ১৮ গী লেঙ্গা ওইবা মীওই অমা দোভর হীথাংফমদা ডিটেন তৌখি অমসুং চহী ২১ গী মীওই অমা ৱেষ্ট লন্দনগী হাউন্সলোদগী ফাখি।



সস্পেক্ট অনীমক য়ু কেগী টেররিজম এক্টকী মখাদা ফাজিন্দুনা থমখি অমসুং সাউথ লন্দনগী পুলিস ষ্টেসন অমদা ৱাহং পাউহং চথুখি।

সস্পেক্টশিংদু ওফিসল ওইনা মমিং লাউথোক্ত্রি তৌইগুম্বসুং চহী ২১ গী মীওই অদু য়াহয়াহ ফারুখ কৌবা সিরিয়ন রেফ্যুজী অমনি হায়না আইদেন্টিফাইদ তৌখ্রে। হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১৫ গী অয়ুক্কী মী চিনবা মতমদা পারসন্স গ্রীন অন্দরগ্রাউন্দ ষ্টেসনদা ট্যুব ট্রেন অমদা ইমপ্রোভাইজ এক্সপ্লোসিভ ডিভাইস অমা পোকখায়হন্দুনা চত্থখিবা এটেক অদুদা মীওই ৩০ অশোক-অপন নংখি।

খ্বাইদগী নৌবা মীফা অদু অতৈ সস্পেক্ট অনী ফাখিবগা মান্ননা য়ু কেগী টেররিজম এক্টকী সেক্সন ৪১ গী মখাদা পাঙথোকখি।

মেটকী কাউন্টর-টেররিজম কম্মান্দনা সস্পেক্ট অদু ফাবদা সৱের্ন পুলিস অমসুং ৱেলস এক্সট্রিমিজম অমসুং কাউন্টর-টেররিজম য়ুনিটনা মতেং পাংখি।

মেট্রোপোলিটান পুলিসকী কম্মান্দর দীন হাইদননা হায়খি, মসি খোঙজেল থুনা পাঙথোকপা ইনভেষ্টিগেসন অমনি। ইরাই নুমিৎতা এটেক চত্থখিবৈদগী শীংথানিঙাই ওইবা থবক কয়া পায়খৎলে। ঐখোয়না হৌজিক মীওই অহুম ফাজিন্দুনা থল্লি অমসুং এদ্রেস মরিদা থিব-হুম্বগী থবক চথুরি।

ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা বোমিং অদু মখোয়না পাঙথোকখিবনি হায়না ক্লেম তৌখি তৌইগুম্বসুং মেট পুলিসকী এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নর মার্ক রোলিনদি এটেক অদুদা চেন্নরিবশিংদুগা কন্টেক্ট তৌনবা লৈরবসু নৎত্রগা লৈত্রবসু আই এসনা এটেক অদুবু ক্লেম তৌরিবদু হেক হেক তৌবা থৌওং অমনি হায়খি। 'বকেট বোম' অমনি হায়না ফোঙদোকখিবা এক্সপ্লোজন অদুনা ট্যুব অদু ফাওরগা অচৌবা মৈবুল অমা কাহনখি অমসুং মীওই কয়া অশোক-অপন নংহনখি।

টাইমর ফিট তৌবা মপূং ওইবা ডিভাইস অদুদি ডিটোনেট তৌবা ঙমখিদবদগী মীওই চা কয়া মথ্বাই হিংহৌখি।

## মালেমবু ন্যুক্লিয়র লান থোক্লমগদবদগী কনখিবা সোভিয়েট মিলিটরি ওফিসর লৈখিদ্রে

*মোস্কো, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সী) :*

*কোল্ড ৱার কল্লিঙৈ মতমদা মালেমবু ন্যুক্লিয়র লান অমা থোক্লমগদবদগী কনখিবা মীশক্লি হায়না নোংচুপ লৈবাকশিংনা শক-শোন্নখিবা হান্নগী সোভিয়েট মিলিটরি ওফিসর অমা ওইরিবা ষ্টানিসলাভ পেট্রোভ মশাগী চহী ৭৭ শুবদা লৈখিদ্রে।*

*পেট্রোভগী মরুপ জর্মন মচা কার্ল সুমারনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখি মদুদি, মহাক হৌখিবা মে ১৯ দা লৈখিদবনি। সুমারনা থা অসিগী অঙনবদা পেট্রোভকী বার্থদেগা মরী লৈননা মহাক্কী সোভিয়েট মতমগী মরুপ অসিদা হরাও তয়ান্বা ফোঙদোক্লবা ফোন তৌখি। তৌইগুম্বসুং পেট্রোভগী মচানুপা দমিত্রিনা মহাক্কী মপাদি লৈখিদ্রে হায়না সুমাচরদা ফোঙদোরকখি। মহাক্না লৈখিদবদুগী মতাংদা রশিয়ন ষ্টেট জেদ বেজদা টিভি ষ্টেসননা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পাউদমখি।*

*কুমজা ১৯৮৩ গী সেপ্টেম্বর ২৬ তা মোস্কো সিটিগা তাইনবা মফম অমদা লৈবা সোভিয়েট মিলিটরিগী আর্লি ৱার্নিং ফেসিলিটি অমদা পেট্রোভনা অহিংদা ড্যুটি তারিঙৈদা এলার্ম অমা লাক্তুনা য়ু এসনা ইন্টর-কন্টিনেন্টেল বলিষ্টিক মিসাইল কয়া কাপশিল্লকপগী সিগনেলশিং ফংখি।*

*মতমদুদা মশাগী চহী ৪৪ শুরবা লেফটিনেন্ট কর্নেল অদুনা এটেক অদু থাঙ্গৈ শেংবরা হায়বদু য়াম্না থুনা লেপ্পা তাখি। মহাক্না য়াম্না থুনা ৱাখল তৌরবা মতুংদা মদু অরানবা এলার্মনি হায়না লেপখি।*

*থৌদোক অদু য়ু এসনা খঙহৌদনা ন্যুক্লিয়র এটেক অমা চত্থরক্কদ্রা হায়না সোভিয়েট য়ুনিয়ননা থাঙ্গৈ শেংনা কিবগী মওং উনখিবা কোল্ড ৱারগী খ্বাইদগী হেন্না থৱায় ৱানখিবা মতমশিংগী মনুংদা অমদা থোকখিবনি।*

*থৌদোক অদুগী চয়োল খরখক্কী মমাঙদা য়ু এসতগী সাউথ কোরিয়া তম্না পাইরকখিবা পেসেঞ্জর প্লেন অমা সোভিয়েটশিংনা স্পাই প্লেন ওইরমগনি হায়না চিংনদুনা কাপথখি। মদুদা প্লেন অদুদা তোংলিবা মীওই ২৬৯ মক শিখি।*

*সোভিয়েটকী কন্ট্রোল সেন্টর অদুগী সিষ্টেমদা অশোয়বা লৈবদগী মিসাইল এটেক্কী অরানবা সিগনেলশিং লাক্লিবদু পেট্রোভনা অচুম্বা সিগনেলশিংনি হায়না লেপ্পল্বা তারবদি হৌজিক্কী মালেম অসি করি ফিভমদা লৈরমগদগে হায়বা ঙম্লোই হায়রি।*

## রৌহানিনা ট্রম্পকী স্পীচ কন্দেম তৌখ্রে

য়ুনাইটেদ নেসন্স, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সী) :

করিগুম্বা য়ু এসনা কুমজা ২০১৫ দা অতৈ লৈবাক কয়াগা লোয়ননা য়ানখিবা ন্যুক্লিয়র দীলদগী হাইদোকখিবা তারবদি মহাক্কী লৈবাক্না মশক থোকপা অচেৎপা পাউখুম পীগনি হায়না ইরানগী প্রসিদেন্ট হশন রৌহানিনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা স্পীচ পীখ্রবা মতুং নোংমা লৈরগা ঙসি ইরানগী প্রসিদেন্ট রৌহানিনা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিদা ৱা ঙাঙখিবনি। ট্রম্পনা মহাক্কী স্পীচ অদুদা মমাঙগী য়ু এস প্রসিদেন্ট বরাক ওবামানা সাইন তৌখিবা ন্যুক্লিয়র দীল অদুবু খ্বাইদগী ফৎত্রবা অমনি হায়না ফোঙদোকখি অমসুং ইরানগী মীয়ামদা মখোয়গী গভর্নমেন্ট চিংথুনবা অপীল তৌখি।

'নোর্থ কোরিয়াবুসু মপূং ফানা মাঙহন-তাকহনগনি' হায়না কিহনখিবা ট্রম্পকী স্পীচ অদু ইরানিয়ন প্রসিদেন্টনা 'য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিগী ডিগনিটিগী মখাদা উবা ফংবা করিমত্ত খঙদ-উদবা, ৱাহন্দোক লৈতবা অমসুং হঙ্গৈই-তুক্কৎচবগী মওং উৎপা ৱাঙাঙনি হায়না ফোঙদোকখি।





য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিগী সেসন অদুদা রৌহানিনা হায়খি মদুদি, ইরান অমসুং মালেমগী পাৱর তরুক্না ভিয়েনাদা সাইন তৌনখিবা ২০১৫ গী দীল অদু মালেমগী লৈবাকশিংগী মরক্তা মরী থম্নবগী অনৌবা মোদেল অমা ওইহনবা য়াগনি। এগ্রীমেন্ট অদুনা মরম ওইদুনা ইরাননা মরী লৈনবশিংগা ইনগেজমেন্ট তৌনবা অমসুং কোওপরেসন পীননবগী থোঙ হাংখি। টেহরাননা এগ্রীমেন্ট অদুগী টার্মশিং চেকশিন্না ঙাক্কনি হায়না রৌহানিনা হায়খি।

এগ্রীমেন্ট অদুবু হান্না থুগায়গদবা লৈবাক অদু ইরান ওইরোই হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা রৌহানিনা হায়খি মদুদি, করিগুম্বা পার্টি অমনা এগ্রীমেন্ট অদুবু খোঙ্গাওনরক্লবদি মহাক্কী লৈবাক্না মপূং ফাবা অরোইবা পাউখুম পীগনি।

ঐখোয়না কনামত্তবু কিহনবা লৈতে তৌইগুম্বসুং কনাগুম্বশিংনা কিহল্লক্লবদি ঐখোয়না তুমিন্না খাঙদুনা লৈথোক্লোই।

য়ূমশকৈশা নুমিৎতা ট্রম্পনা পাউমীশিংদা হায়খি, কোংগ্রেসনা পীবা ওক্টোবর ১৫ গী দেদলাইনগী মনুংদা ২০১৫ গী ন্যুক্লিয়র দীলগী সর্টিফিকেসন ৱিথদ্রো তৌগদ্রা হায়বগী মতাংদা মহাক্না ৱারেপ অমা লৌরে।

করিগুম্বা ট্রম্পনা এগ্রীমেন্ট অদু সর্টিফাই তৌদবা তারবদি ইরানগী মথক্তা য়ু এসকী অথিংবশিং নৌনা অমুক থমগদ্রা হায়বগী মতাংদা কোংগ্রেসনা নুমিৎ ৬০ নিগী মনুংদা ৱারেপ লৌগদবনি। করিগুম্বা লেজিসলেচরনা ৱারেপ লৌদবা তারবদি প্রসিদেন্টনা ওইনা ৱারেপ লৌগনি।

এগ্রীমেন্ট অদুনা ইরানগী মথক্তা থল্লিবা অথিংবশিং লৌথোকখি অমসুং মদুগীদমক টেহরাননা লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম হন্থনবগী খোঙথাং পায়খৎখি।

## নন-ওইল রেভিন্যু হেনগৎনবা সাউদি অরাবিয়ানা ইন্টরনেট কোলশিং য়াহল্লগনি

রিয়াধ, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সী) :

সাউদি অরাবিয়াদা হান্না ইন্টর্নেট ফোন কোলশিংদা অথিংবা থম্লম্বদু লৈবাক অসিনা শগোলশেন নুমিৎতগী লৌথোক্লগনি হায়না গভর্নমেন্টকী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখ্রে। নিংথৌ পানবা লৈবাক অসিনা নন-ওইল রেভিন্যু হেনগৎহন্নবা হোৎনরকপদা ওনলাইন বিজনেস চাওখৎহন্নবগীদমক্তা খোঙথাং অসি লৌখৎখিবনি।



মাইক্রোসোফটকী স্কাইপ অমসুং ফেসবূককী ৱাটসএপকুম্বা রেগ্যুলে-টরিগী তঙাইফদবশিং সেটিসফাই তৌবা চঙবা ওনলাইন কোল অমসুং ভিদিও কোল সর্ভিসশিং অহিং নোংয়াই (জি এম টি ২১০০) দগী শীজিন্নবা য়াহল্লগনি হায়না টেলি-কোমস রেগ্যুলেটর সী আই টি সীগী স্পোক্সমেন অদেল অবু হমীদনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

অথিংবা লৌথোকখিবদুনা সাউদি অরাবিয়াগী মরুওইবা টেলিকোম ওপরেটর অহুমগী ইনকমদা চৈথেং খরা লাকহনবা য়াই হায়রি। হান্নদি কিংদম অসিদা লৈরিবা এক্সপাট্রিএট মিলিয়ন কয়ানা ইন্টর্নেসনেল কোল অমসুং টেক্স কোলশিং তৌবদা লৈবাক অসিদা ওপরেট তৌরিবা টেলিকোম ওপরেটরশিংনা রেভিন্যু চাউনা তানখিবনি।

কৈথেলদা লৈরিবা থাউগী মমলশিংনা মালেমগী থাউ খ্বাইদগী য়াম্না থাদোকপা লৈবাক অসিগী শেল-থুমগী ফিভমদা অকায়বা পীবদগী রেভিন্যু লাকফমশিং মখল শুহন্নবা সাউদি গভর্নমেন্টনা পায়খৎলকপা অচৌবা রিফোর্ম প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা শেল-থুমগী পোলিসিদা অহোংবসি লাকহল্লিবনি।